# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৮১

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

মণিপুরদা কোংগ্রেস লৈঙাক নমদুনা ইন্থুখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লাকখ্রে। দেমোক্রেসিগী মশকসু নমদুনা হোংদোকখ্রে। চহী কয়া কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরম্বদু খঙহৌদনা হোংদোরকপা মীয়াম্না হরাওনখিদবদি নত্তে। অনৌবা, অওনবা, অহোংবা লৈঙাক অমা লাকখিবদা মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা মওংদা মখল মখলগী আশা তৌনরম্মী। মীয়ামগী আশাদু ঙসিদি কদাই ফাওবা থুংনরবগে হায়বা মীপূম খুদিংমক্না ফজনা হায়নরুবা, তান্নরুবা নাইদনা থবক ওইনা মশক খঙনরে। বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া থম্নরক্তবদি নত্তে। মসিগী মথক্তা পোলিটিক্সকী ঈরাংসু শাংলবা চহী কয়াদা তানরমদবা লৈঙাক পুমিন্নরম্বশিংগী থবক্তা পোলিটিক্সকী থাজনদ্রবা ঈরাংসু পারা অমদি ফজনা খঙনরকই। মসিসু অনৌবা য়াওল অমনি। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মনুংগী ৱাথোক নম্ফুদা মনা-মনীল পূম্নমক নুংশা মঙালদা লেননা তুম্বগুম তুম্না মাঙখ্রে। মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ঙসিদি মীয়াম্না থাজবা পূম্নমক মাঙখ্রে।

মসিগী লুরবা তাঞ্জাসিদা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কল্লবা লাইচৎ অমা লাক্তুনা ঈরাংগী মরক্তা দশা অমা তামিন্নরি। দশা অসিমক বি জে পিগী ইন্দিয়া লৈঙাক অসিদা দশা অমনি। ঙসিগী পোলিটিক্সকী লৈঙাক পায়বগী, লৈঙাক পুবগী খুদোংচাবা পোরম অমনি। মীওইবা খুন্নাইসিগী অতোং অতোংবদা লেপনীংবা মহৌশানি। পোলিটিক্সসিদি ওইজবা তানবা ঙাক্তনি হায়বসি হেন্না হেন্না হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা মীপূম খুদিংমক ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা চোইখোম লৈঙাক অসিদা মীয়াম ফজনা খঙনরক্লে। চোংথোক চোংশিন, ওইজনাম, নপচনাম হেন্না ময়েক শেংলকই। পোলিটিক্সতা পার্টিগী চৎন-কাঙলোন করিসু লৈতে। মতম মতমগী খুদোংচাবা য়েংবা ঙাক্তা ওইরকই। মসি ঙম্নমক মীৎমাংদা ফজনা খঙনরক্লে। চোংথোক চোংশিন হায়বসি হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাকসিনা অনৌবা পারা হেন্না খঙনরে। কোংগ্রেসকী পোলিটিকেল পার্টিদা কাজরকপা অমবু বি জে পিদা লৈঙাক পুরগা চহী শাংনা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরম্বসু পারা অমনি। মসিনা তাকপদি পোলিটিক্সসি ফাগি মাল্লকই। অদুবু হন্দক্কী বি জে পি লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না তাবদা নুংঙাইবা ৱারক্কী তয়ানগুম্বা থবক খরসু ফজনা পায়খৎলকই। লৈঙাক পায়বগী নুংঙাইবা তৌনীং-তৌনীংবা থবক খরসু তৌবা ঙম্বসিমক পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনিংনি। মদুম্না বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা গো টু হিলস, গো টু ভিলেজনা অওনবা অহোংবা ফজরবা খোল্লাউ অমদি মসিমক ফজ দে হায়বদি কনানসু হায়বা ঙল্লোই বি জে পিগী ৱারক্কী তয়ালগুম্বা খোল্লাউনি। মসিমক চীংগী করম্বা মফমদা গো টু হিলসনা খুঙ্গং ২৬৯১দা চৎখ্রে হায়বসি তাবদা ফজবা ৱাফম অমা নত্তে হায়বা ঙল্লোই।

হন্দক্কী গো টু ভিলেজনা করম্বা খুঙ্গংদা অওনবা, অহোংবা পুরক্লবগে? ইম্ফাল সিটিদগী হেন্না খুঙ্গংদসু দশা তানরে। খুঙ্গংগী মফম খুদিং লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং ঙম্নমক নক্ল-নক্লবনা খোপচিন্দুনা লমলেম-লমহাং অমত্তা লৈত্রে। বি জে পিনা খুঙ্গং ২৬৯১দা কোভর তৌরে হায়বসি লমলেম, লমহাং, ঈথৈ লৌখোং খোপচিন্নরিবসি য়েংবা লাকপীবরা? খুঙ্গংদা লাকপা মতমদা মসিমদি শেমদোক্লম্মী হায়বদি তানদে। হন্দক্কী বি জে পিগী ফজরবা খোল্লাউ ৱার ওন দ্রগকী মীয়াম্না পাম্নরিবা অসি লৈঙাক অসিনা করি করম্বা মীশক মীওইদা দ্রগকী চৈরাক পীখ্রবগে? ৱাহংসিগী মনুংদা দ্রগ লল্লোনবা অচৌবশিং থাদোকপা ঙম্বসি বি জে পি লৈঙাক অসিনা ওইরবরা? দ্রগ, নিশা য়ুনা মাঙহল্লকইবসি মীয়াম্না ফজনা খঙনরে। য়ুনা, দ্রগনা হেনজিল্লক্তুনা নুপী অঙাংদা নত্তবা থবক কয়া কা হেন্না ৱাথোক ওইরকপসি হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক মনুংদা হেন্না তানরকপসিবু অফবগী খুদম অমরা। মণিপুরদা লালহৌবগী ঈরাং নেমথরে হায়বসি মনুংদা চুম্লিবরা? নহারোল লালহৌবগী ঈরাং নেমথরবদি করিগী থবক ওইনা পায়খৎতবনো? বি জে পি লৈঙাক অসি ঙাঙবদি হেন্দোক থোইদোকপা মশক খরদি ফজনা উরে, তানরে। মীয়াম্না পাম্নরিবদি থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। বি জে পিগী লৈঙাক মনুংদা কোভিদ-১৯ থোরকপদি দশা অমনি। দশা অসিনা মীচম মীয়ামদা হেন্না হেন্না অৱাবা মায়োক্লহল্লে। বি জে পিগী লৈঙাক মনুংদা ঐখোয়গী মপূং ওইবা লম্বী ইম্ফাল জিরি রোদ ঙসি ফাওবা শেমজিনবা লোইবা ঙমদবসিবু করিগীনো? মসি মমাঙথক্তা মরী লৈনবশিংনা করি ঙাঙখিবা মীয়াম্না কৈদৌনুংদা কাউনদে। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা কোভিদ-১৯গী দশাদগী মীয়াম পূনবা ঙম্নদ্রিঙৈদা থাওগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপা লৈঙাক অসিনা খঙদবা শাদুনা তূমিন লৈশিনবসিসু লায়রবা মীয়ামদদি খ্বাইদগী খুদোংথিবা মায়োক্লরে। থাও মমল হেনগৎলকপনা পোৎ চৈগী মমলসু অতিয়া পক্লা হেনগৎলকপসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপসি অওনবা, অহোংবা অমরা?

হন্দক্কী শ্রী বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মশক থোকপা লায়রবা মীয়ামগীদমক খনবীরগা অপূনবা অহোংবা অনৌবা থবক খরদি পায়খৎহন্নীংবা মীয়ামগী অপাম্বনি। চহী ৪ মপূং ফারকপগী থৌরম ফজনা পাঙথোক্লরি। চহীদি লোইশিল্লক্লে ঙসি ফাওবা মণিপুর মীয়ামগীদমক করি করি খরদি তৌহন্নীংই। ঙসিগী লৈঙাক অসিদা এ সী/এ সীদা অমুক্তং কোয়না চৎতুনা লম্বী থোং, লমলেম লমহাং, ঈথৈ লৌখোং করম তৌরিবনো য়েংশিনহন্নীংই।

মসিগী মখা তারকপদা গো টু হিলস, গো টু ভিলেজ, দ্রগসকী ৱাথোক কয়াসি অমত্তা তরাইদে। চীংসু তমসু করিসু অহোংবা অওনবা লৈতে। তেবলদা ওল্লম্বা য়াই,চীনবুংদা হোংলম্বা য়াই অমুক্তং কোয়না চৎতুনা য়েংহন্নীংই। মথংগী ভোট মতমসু কুইরকপা নৎত্রে। ঐখোয়গী মীয়াম্না পাম্নরিবসি চীনগা খূৎকা মান্নবদুনি। ঐখোয়গী চীংনা কোয়শিনবা লমদমসিদা লাইফ লাইন ওইনা লৈরিবা ইম্ফাল জিরিবাম অমসুং ইম্ফাল দিমাপুর হায়ৱেশিং হান্নদগী য়াম্না ফগৎলে হায়রিবসি নোংজু থা নত্তবদগী ফবা মানবনি। নোংজু থা য়ৌরকপদা দশা কয়া তারক্কনি। মক্রু থোং, বরাক অমসুং ইরং থোং শাবগী থবকসু নোংজু থা লাকত্রিঙৈদা ৱার ফুটিংদা থবক পায়খৎহন্নীংই। নোংজু থা মতম ইমাংদা লেপ্তুনা লৈরে। ঙাঙথোকখিবা অরেম্বা তারক্কনি। ঙসিগী মীয়ামগী অপাম্বদি ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা পাঙথোকপদুনি।

অরোইবদা থমজনীংবদি মপান থোংদা ফজবা উৎপসি মীওইবগী হৌনশানি। লৈবাক অমা চাওখৎহনবসি চীং-তম, খুঙ্গং-সহর কাচিন কোয়া থুংনা শেমগৎপদুনি। ঐখোয়গী এ সীশিংসি থুংনা অমুক্তং কোয়বীয়ু। লম্বী-থোং, ঈথৈ-লৌখোং, লমলেম-লমহাং পূম্নমক লৈশিল্লকত্রিবসি খুঙ্গংগী, সহরগী মফম খুদিংমক্তনি। খুঙ্গংগী লম্বী মনুংদা গাড়ী মচা অনী ফাওবা থৈনবা য়াদবসি চাওখৎপগী খুদম অমরা? খুঙ্গংগী মফম খরদা কোয়লাস থাগনি হায়দুনা তৌরম্লগা শাংলবা মতম য়েংশিনবীদবসি মীয়াম্না পেন্নিংঙাই ওইগনি নীংদে। মপূংদা মীয়ামগী য়াকা য়েংবীরিবা ইকায়খুম্নজরিবা ঐগী সী এমনা ফিল্ডদা কুম্লগা য়েংশিনবীয়ু, মণিপুর মীয়াম ৱারে। লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবীরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎপীয়ু, থম্মোয় শেংবদি মীনসু-লাইনসু য়াগনি। লাইনা য়াদ্রবসু মীনদি য়াহনবা তাঞ্জানি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কোভিদ-১৯ অমদি মীয়ামগী ৱাখল্লোন

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেমগী ওইনা তমথীরবা কোভিদ-১৯না হৌখিবা চহীদা পীখিবা চৈনা-চৈথেং খুদিংমক ঐখো পূম্নমক্না থেংনখ্রবা ঙাক্তনি। মালেমদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি পিখম্নহনখ্রবনি। মসিগী চৈনা-চৈথেং অসিমকসু ইরৈবাক মণিপুরদা হৌখিবা চহীগী মচুগী কুম্মৈ লমতা থাদা পাঙথোকপা য়াওশঙগী নুংঙাইরবা মনুংদা ইন্দিয়া পূম্বদা লোকদাউন লাউথোরক্তুনা ঐখোয়গীসু মদুগী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না চখ্নখি। তমথীরবা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মহৈ-মশীনগী লম্দা, শেংমীৎলোনগী লম্দা অমদি হীরম খুদিংমক্তা লেপনখিদুনা অৱাবা পীখি। মণিপুরদা লাইচৎ অসি হৌরকপা মতমদা মীওই কয়াগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী মরমদা কুপথনা খঙনবা হোৎনবগী মহুত্তা অকিবনা হেনমনখিবনা লৈকায়-লৈকায় শম্বল খাদুনা লৈনখিবনা অনা লায়েংগী মীওইশিং, প্রেস মীদিয়া, মৈহৌ লাংপোক অসিনচিংবশিংনা মীয়ামগী মথৌ তৌবদা অকায়বা কয়া পীখি। মীয়াম্না কিনবনা শম্বল খানরিঙৈ চৈরক্তা লন্নাই লূপ খরদি মীয়ামগী পুন্সিগীদমক ঙমজবা খরা তেংবাংনবগী মীয়ামদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভ য়েন্থোকখিবতা নত্তনা কন্টেনমেন্ট জোন, কোভিদ ক্যের সেন্টর, ক্বারন্টিন সেন্টরদসু চৎতুনা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াসু ফংহনখি। অদুবু পূম্নমক ওইদুনসু হৌজিক হৌজিকমক্তি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মপূং ফানা মুখৎপা ঙমদ্রবসু অয়াম্বদি লাকশিনবা ঙমখ্রিবসিমক ঐখোয় পূম্নমক্কী লাইবক ফবনি।

ঐখোয় মীওইবনা হৌখিবা মতমদা থেংনখিবা অৱাবা কয়া অদু হেক হেক কাউথোক্তুনা তরাই তরাই লৌরিবসিমক্তি লানগনি। হৌজিক মতমগী মতুংইন্না মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা নুপী খক্তগী ওইবা ইম্ফাল সিটিদা লৈরিবা ইমা কৈথেলসু মতম কুইনা ফমলুদ্রবা তুংদা মণিপুর লৈঙাক্না চৎন-কাঙলোন কয়া শেমদুনা কৈথেল ফম্বা ফাওবা হৌহনখ্রে। মসিদা মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা কোভিদ-১৯ কাউথোকপগুম তৌরিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌজিক লৈরিবা অসিদগী হেনজিল্লক্তনবা ঐখোয় হেন্না চেকশিন্দুনা লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পি, দব্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইন ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯ লৈত্রবা পুন্সি মরেল অদু ওইনবগী হোৎনমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা থম্বা ফৈ।

*অদোমগী - ফাঞ্জৌবম লন্নজিৎ*

*কৈশামথেং লোংজম লৈরক, ইম্ফাল*

## মোদর্ন সোসাইটি অমসুং য়ুথ

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

অয়ূক ৱাকিং চৎপনি। লম্বীগী চিদাইদা হান্নদি তলব, সাজন, অহাঙবা বোট্টল তাবা উই, মরক-মরক্তা সেরিঞ্জ তাবসু উই। হন্দক্তি লোক্কী কফ সিরপনা নম্না তাবা থেংনৈ। কোভিদ-১৯ মতমসিদা কফ তৌরব্রা খঙদে? য়ূমগা লৈত্রবা খঙদে লম্বীদা থোক্লক্লগা থক্লিজাৎলা? ইনখৎলক্লিবা ক্লাস এলেভেন অমদি ত্বেলভকী লেঙ্গা ওইগদবা মনাদা সনা শীরিবা কয়াসু হেক হেক উই। ইনখৎলক্লিবা নহারোল মোদর্ন সোসাইটি অসিদা কফ সিরপ মপূং ফানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরকপগী মমি অমদি তারি। লাইরিক লাইশু ফবগী মহুত্তা কফ সিরপ শীজিন্নরকপা অসিনা অতনলাই খরদি চুহল্লে। পেরেন্টশিংনা মচা চাউবা শারেপ ফারগা লুনা চান্না তৌবীনি খনবদগী এদ্যুকেসন পীরি। তশেংনা মসি ওইগদৌরিব্রা?

দ্রগ, গুলি, নম্বর ফোর ফাবগী পাউ দেল্লি ন্যুজপেপর কয়াদা নোংমতা কাংদনা য়াওরি। গভর্ণমেন্ট, এন জি ও, মৈরা পায়বী কয়ানসু থিংনবা হোৎনজৈ অদুবু মপূং ফানা থিংবদি ঙমদ্রি। মসিবু অহোবা মখুল কয়া লৈবনরা? হৌজিক্কী মতমদা পেরেন্টেল ক্যের য়াম্না মথৌ তারি। মচাশিংবু করি তৌরি হায়বা কূপ্না শেন্নবগী মতম ওইরে নৎত্রবদি ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইরোলনুংদা লুপখ্রগনি। কুম্মৈগী লমদম ওইরুবনা ফেষ্টিবেলশিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চানবগী অচৌবা পারা অমা তম্নহৌই। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে য়ুথ আর দি পিল্লর ওফ নেসন। মরম অসিনা ইশা নত্তনা অতোপ্পা কনানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তগী কনবা ঙল্লোই।

*অদোমগী - পুয়াম অচৌ খুমনচা*

## খোংজোম লান্দা পাওনাগী অরোইবা য়াহিপ

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইনা লৈচাওরোলগী লৈই য়ৌরকপদগী কুম্বারোলগী কাঙলোন অসি পুথোরকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি ঐখোয়গী লৈবাক পোইরৈ অসিদা ঙসিদগী চহী ৫১২৩দগী হৌরকখ্রে হায়বসি কুম্বারোলগী লাইরিক ‘চৈথারোল কুম্বাবা’ হায়না বাংলা ময়েক্তা ফোঙলবা লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা য়াওরি। ৱারোলদি ‘লাংবচাকী কূমশিং (কলিগী কুমশিং) ৩১৩৫ শুবদা মৈদিংঙু পাখংবনা নিংথৌ ওইএ’। মতম অসি ফাওবদা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা মীরৈবাক্কী কুমশিং অমত্তা মায়চৌশিংনা শীজিন্নদ্রি। অদুবু পাখংবনা নিংথৌ ওইবা চহী ৪৫ শুবদগীদি ইন্দিয়াগী ওইবা কুম্বারোল ‘শকাব্দ’ হায়বা অসি শীজিন্নবগী খুদমদি ফংলে। মসিসু য়াম্না চিংননিংঙাইদি ওই। লমদম অসিগী কুম্বারোল ‘কুমশিং’ হায়বা অসিসু অদুম্মক শীজিন্নবদি তোক্তে, ‘কুম-শক’ অসুম্না।

অদুবু লৈবাক অসিনা নীংতম্না পাল্লকখিবগী লৈই লান্থোকখিদুনা বৃটিশনা খৃ: ১৮৯১-১৯৪৭ ফাওবা পানখিবা মতমদা মখোয়গী দাইরি খৃ: কেলেন্দর শীজিন্নরবসু লৈবাক অসিগী কুম্বারোলগী চহীবু লমদমসিগী মায়চৌশিংনা ইশিনবা মতমদদি মখোয়গী ইরা অমদি দেট খক শীজিন্নরকখিদে। ‘‘কুম-শক’ অসুম্না কুমশিংগা শকাব্দগা অনী অসি পুনশিল্লগা ‘শকাব্দ’ না ময়েক শেংনা ইরগা চৎনরকখি। অদুনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বগী অমম্বা নুমিৎ ওইখিদুনা অথৌবা ব্রজবাসিনা খোংজোমগী লানফমদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা নুমিৎ অদু চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না পল্লি। ‘‘অহোংশাংবা দুলহোপকী কুম শোক ১৮১৩, ৫নি পানবা শজিফুগী পালোক ওইয়ে’’। ... ১৪নি পানবা শগোলশেন্দা নোংঙাল্লকপদগী হৌনা শোক্লরকপবু নুমিদাং য়ুথক্কী মতম য়ৌরক্লবদা সাহেবনা চীনথাংনা, শগোল তোংবা ময়ামনা কোয়রে। পাওনা মেঞ্জোর, চোংথা মেঞ্জোর সরদার পূম্নমক মপা-মপা চোংশিন্দুনা য়ান্নরে। শিবদি পাওনানচিংবা, হিংবদি চোংথা মেঞ্জেরনচিংবা মী ১০০ রোম হিংখি’’।

অদুবু হৌজিক থৌদোক অসিগী মতাংদা ইকায়নীংঙাই ওইবা মওং অমদা ঐখোয়গী থাবাল্লোনবু থৌশাদনা ‘শজিবুগী ১৪নি পানবা শগোলশেল নুমিৎ’ হায়বা অসি কাউথোকপীরগা য়েক্লবগী দাইরিদা ইরম্বা দেট লোমদা য়েংশিন্দুনা এপ্রিল ২৩/২৫ হায়না য়েৎনদুনা অসুক লুখ্রবা লানফম অসিবু মীগী মমাঙদা খোঙ্গোয়নদুনা লৈরে। থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা ইজরিবা ঐনা মালেমগী ওইবা য়্যোটিস শাস্ত্রগী কাঙলোন্দা থবাল্লোন অসি হঙ্গৎনা থিগৎচরুবদা পাওনানা তুরিবা মণিপুরগী থাবাল শজিবুগী ১৪নি পানবা শগোলশেন্দা নুমিৎ অসি খৃ: ১৮৯১ এপ্রিল ২৩ নি হায়বসি কম্প্যুটরনা ময়েক শেংনা তাক্লক্লে।

*অদোমগী - শমচেৎশাবম কোন্দুম্বা*


### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 88/SDC/NBL of 2021**

Oinam Bhopen Singh, S/o. (Late) O. Lupo Singh of Nambol Makha *-Petitioner*

-Vrs-

(Late) Oinam Lupo Singh, S/o. (L) O. Chaoba Singh of Nambol Makha -P.O.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 25/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 20 - Nambol Makha, Patta No. 20/137 (Old), 20/5 (New), Dag No. 154 an area of 0.36 acre of Phourel অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/9399/26 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 189/SDC/IW(P) of 2021**

Shri Lairenjam Ibomcha Singh S/o (L) Matum Singh of Sagolband Tera Lukram Leirak. ...Petitioner

-Vrs-

Late Shri Meikam Ningol Lairenjam Ongbi Ebempishak Devi W/o Matum Singh of Sagolband Lukram Leirak. ...O.P.Party/Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

25/03/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তহশিলগী খুল নম্বর 81-Taobungkhok গী পাট্টা নম্বর 32 (old), 247/626 (new) দাগ নম্বর 506 গী .61 একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদারিনি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৬/০৪/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চখ্নরগনি।

HL-P/9402/26 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 107/SDC/Bishnupur, 2021**

Lamabam Doren Singh, S/o. (L) L. Bormangol Singh of Ngaikhong Khullen -Petitoner

-Vrs-

Lamabam Bormangol Singh, S/o. (L) L. Modhu Singh of Ngaikhong Khullen - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 24/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Lamabam Doren Singh, S/o. (L) L. Bormangol Singh of Ngaikhong Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৩৫/১০৭ (অরিবা) ৩৫/৭৫ (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং ২৮৫ মনুংদগী ০.৮২ একর চাওবা তাওথবী লৌফম অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/9394/26 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 316/SDC/IW-L/2021**

Phuritsabam Sunita Devi W/o (L) Basanta Singh of Tera Urak Mayai Leikai. - Petitioner

-Vrs-

Late Phuritsabam Basanta Singh S/o (L) Thambaljao Singh of Tera Urak Mayai Leikai. - Op/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

25/03/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ফুরিতশাবম বশন্তা সিংহ পীতা মৃত থম্বালজাও সিংহ সাং তেরা উরক ময়াই লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৫-লমলোংগেগী অনৌবা পাট্টা নং ১৮৯/২৯৭ দাগ নং ১৩১৬ এরিয়া ০.৫৯০০০ চাওবা ইংখোল অস মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/9401/26 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 131/SDC/NTK/2021**

Sagapam Chaoba Singh, S/o. (L) Nilachand Singh of Ningthoukhong Kha Khunou W/No. 4 - Petitioner

-Vrs-

Late, Co-Pattadar No. 4, Yumnam (N) Sagapam (O) Moithap Devi, W/o. (L) Nilachand Singh of Ningthoukhong Khunou - Opponent.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 24/03/2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 45-Thinungei গী Patta No. 126 (O) 646 (N) C.S. Dag No. 1386, 2033 area 1.32 acre of Phourel অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অসিনা ইংখোল, লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি কোর্টতা লাক্লিবা তাং ৩০/০৩/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/9393/26 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Ningthoukhong**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. Mutation Case No. 315/SDC/IW-L/2021**

Leishangthem Purnima Devi W/o Ningthoujam Inaobi Singh of Tairenpokpi Makha Leikai. - Petitioner

-Vrs-

Late Leishangthem Chaoba Singh S/o (L) Kabra Singh of Koutruk. - Op/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

25/03/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লৈশাংথেম চাওবা সিংহ পীতা মৃত কব্রা সিংহ সাং কৌট্রুককী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌট্রুককী অনৌবা পাট্টা নং ১১৬ দাগ নং ১৯৪ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৬২ চাওবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/9401/26 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector IW: Lamsang**

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 106/SDC/Bishnupur, 2021**

Lamabam Doren Singh, S/o. (L) L. Bormangol Singh of Ngaikhong Khullen -Petitoner

-Vrs-

Lamabam Bormangol Singh, S/o. (L) L. Modhu Singh of Ngaikhong Khullen - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 24/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Lamabam Doren Singh, S/o. (L) L. Bormangol Singh of Ngaikhong Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৩৫/৫৯৩ (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং ২৮৭ কী ০.৩১ একর চাওবা তাওথবী লৌফম অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/9394/26 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

**Ref. Mutation Case No. 241/SDC/M Dated 23/03/2021**

1. Salam Nilachandra Singh, S/o. (L) S. Ibomcha Singh of Keibul Mayai Leikai
2. -do- Manihar Singh, S/o. (L) S. Birahari Singh of -do-

-Vrs-

1. Late Salam Birahari Singh, S/o. (L) Gulamjat Singh of Keibul
2. Late Salam Ibomcha Singh, S/o. (L) -do- of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 23th March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৫- থাঙ্গাদা লৈবা পাট্টা নং ৬৭০ অনৌবা সী: এস: দাগকী নং ৮০৬২ এরিয়া ১.০৮ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার অনীগী মচাশিংগী মিংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা কেস অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-B/9144/26 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Moirang**